
# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, AUGUST 15, 2018 **PAGE 7**

*রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ফ্রান্সকা শান্নখিবা ফাইনেলদা পাঞ্জল চনখিবা অদুগা মশান্না অসিদগী পোখরগনি লাওথোকখ্রবা ক্রোএসিয়াগী মারিও মান্দজুকিক*

*বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) না ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী নৌনা হেদ কোচ ওইবগী থৌদাং শিন্নখ্রবা রামেস পৱার*



## কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকী মঙলানগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী হোক্কি টিম এসিয়ান গেমসকীদমক খোঙশানখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ঃ*

কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্কালিফিকেসনগী মঙলানগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী হোক্কি টিম থা অসিগী ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকীদমক খোঙশানখ্রে।

পনবা য়াবদি এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী হোক্কি টিম অসিনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙম্লবদি কুমজা ২০২০ দা জপানননা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্কালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসি মমাঙগী এসিয়ান গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা লৈহৌবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিনা মমাঙগী এসিয়ান গেমসকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা পুল 'বি' দা শরুক য়াদুনা চথগদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী অহৌবা মেটচ ওইনা য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়াগা ওগষ্ট ১৯ দা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা পুল 'বি' দা য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়াগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়া, থাইলেন্দ অমসুং কজাখষ্টানগা শান্নগনি।



*ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন রানি (ওই) অমসুং শ্রিজেসনা ইন্দোনেসিয়া খোঙশাল্লমদাইদা খুৎ শোক্লবা*

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন রানি রামপালনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তগী লোইশিনখিবা ৱুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অদুদা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি। হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা গোল্ড মেডল লৌদুনা ৱার্ল্ড কপ অদুদা নিঙমহৌদবা অদু কুপশিনখ্রগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিদা মখোয়গী পুলদা য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়া, কোরিয়া, জপান, শ্রী লঙ্কা অমসুং হোং কোংগা লম্বা তৌগনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন পি আর শ্রিজেসনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিম অসিনা কুমজা ২০১৮ তা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা শোত্থখিবা এরিয়াশিং অদুদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা গেমস অসিদা গোল্ড মেডল পুরকপা ঙম্মবা হোৎনগনি হায়খি।

এসিয়ান গেমস অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিংনা বেঙ্গালুরুদা চত্থখিবা ট্রেনিং কেম্প অদুদা পেনাল্টি কোর্নরদা পাঞ্জল চনশিনবগী মওং, দিফেন্দদিং অমসুং পেনাল্টি সুট আওটতা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা ট্রেনিং অদু চত্থখিবনি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী হেন্দবোল টিম অহৌবা মেটচতা কজাখষ্টানগী মখুত্তা পাঞ্জল ১৯–৩৬ তা মায়থিখ্রে

*জার্কটা, ওগষ্ট ১৪ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি অনী জার্কটা অমসুং পালেমবাংদা থা অসিগী ১৮ গী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী ইভেন্ট অমা ওইরিবা হেন্দবোলগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম কজাখষ্টাননা পাঞ্জল ৩৬–১৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াগী এসিয়ান গেমস অসিগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা হেন্দবোলগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা নুপাগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াবু চাইনিজ তাইপৈনা পাঞ্জল ৩৮–২৮ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়া অমসুং কজাখষ্টাননা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী হেন্দবোল মেটচ অদু অহানবা পেরিয়দতগী হৌরগা কজাখষ্টানগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক চত্থদুনা লাকখি। অহানবা পেরিয়দ লোইশিনখিবদা কজাখষ্টাননা ইন্দিয়াবু গোল ১৯–১৩ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা পেরিয়দনা কজাখষ্টানগী টিম্না গোল হেন্দুনা চৎখিবা অদুনা থৌনা পীদুনা অনীশুবা পেরিয়দ অদুদসু কজাখষ্টানগী শান্নরোইশিং অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুবু হিরম খুদিংমক্তা হেন্দুনা গোল্ড ১৭–৬ তা মাঙজিল থাখিবদগী মেটচ অদু কজাখষ্টাননা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩৬–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা কজাখষ্টানগী শান্নরোইশিংনা গোল চন্নবা সোট ৫৪ টার্গেট তৌরকপদা পাঞ্জল ৩৬ চনবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল চন্নবা সোট ৩৬ টার্গেট তৌরকপদা পাঞ্জল ১৯ খক ওইবা ঙমখিবদগী ঙসিগী মেটচ অদু মায়থিহৌবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রিম্পিনা সোট ৯ টার্গেট তৌবদা গোল ৮ চন্দুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না পাঞ্জল চনবা ঙস্নী ওইখি। মনিন্দর কোরনা গোল ৩ চনবা ঙমখি অদুগা নিধি অমসুং রিতুনা গোল ২ /২ চনবা ঙমখি।

কজাখষ্টানগী মায়কৈদগী দানা অবিলদানা গোল ৮ চনবা ঙমখি অদুগা টিমমেট ওলগা টানকিটানা গোল ৬ চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হেন্দবোল টিম অসিনা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ অদু থা অসিগী ১৬ তা সাউথ কোরিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোই মনিন্দর কোরনা কজাখষ্টানগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

## য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস অমসুং ফ্রান্সকী লুকাস পোলি চিনচিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*মেসোন, ওগষ্ট ১৪ঃ*

য়ুএসএগী ওহিও ষ্টেটতা লৈবা মেসোন সিটিদা ঙরাংদগী হৌখিবা চিনচিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস অমসুং ফ্রান্সকী লুকাস পোলি মায় পাক্লুনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাব্রিলোভাবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–১, ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটিনা সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১–৬, ৭–৫, ৬–০ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

চিনচিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেলারসকী এরিনা সবালেনকানা বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

স্বিদেনগী শান্নরোই রেবেক্কা পিটরসননা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী কেটারিনা সিনিয়াকোভাবু ২–৬, ৬–৪, ৬–১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এজলা টোলজানোভিসনা রোমানিয়াগী ইরিনা কামেলিয়া বেগুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৪–৬, ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসকী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা মেদিসন কিজনা মাটেক সেন্দসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৩–৬, ৭–৬(৭–৩), ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

চিনচিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিনা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা বৃটেনগী এন্দি মুরেবু ৬–১, ১–৬, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টজমেনবু ৬–২, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

চিনচিনাটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা য়ুএসএগী ষ্টিভ জোনসনবু ৬–৪, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

য়ুএসএগী শান্নরোই অনীনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী লম্বাদা সাম ক্কেরিনা জোন ইসনরবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী দেবিদ ফেররবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়রনা য়ুএসএগী মাইকেল মোহবু ৬–৪, ১–৬, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ১৪শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী লুকাস পোলিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভনা য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং ৭–৬(৮–৬), ৩–৬, ৭–৫ দা থোইরম্লগা চিনচিনাটি ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।



*ফ্রান্সকী লুকাস পোলি (ওই) অমসুং য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস*

## পোলিটিকেল ক্রাইসিসনা মরম ওইরগা নাইজেরিয়া অমসুং ঘানা ফিফানা অথিংবা থম্লক্কদৌরি

*বর্লিন, ওগষ্ট ১৪ঃ*

অফ্রিকাগী লৈবাক অনী নাইজেরিয়া অমসুং ঘানা ফুটবোল মশান্না অসিদা পোলিটিক্স তৌরকপদগী ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) না অথিংবা থম্লক্কদৌরি।

ফিফানা ফোঙদোকখিবদা নাইজেরিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন অসি কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা অমাজু মেলভিন পিনিকপু প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি।

হৌজিক–হৌজিক নাইজেরিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী মনুংদা থোক্লিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইরগা ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা বোদি ফিফানা অথিংবা থম্লগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি নাইজেরিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন অসি মমাঙদা ফিফানা অথিংবা থম্লুরবা মতুং হৌজিক–হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা অমাজু মেলভিন পিনিক অমসুং জেনরেল সেক্রেটরী মোহমেদ সানুসিনা হায়জরকপদগী অথিংবা অদু লৌথোকখিবনি।

নাইজেরিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী মনুংদা হৌজিক থোক্লিবা ক্রাইসিস অসি থা অসিগী ২০ গী পুং ১২ঃ০০(সিইটি) গী মনুংদা হান্না ফম পায়খিবা ওফিসিয়েলশিং অদুদা মখা তানা ফমশিং অদু শিন্নখিদ্রবদি ফিফানা লৈবাক অসিদা অথিংবা থম্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

ফিফানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক–হৌজিক ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা নুপীগী য়ু–২০ ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারিবা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংদদি অথিংবা অসি লৈরোই। নাইজেরিয়া হন্দক্তা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লোইশিনখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা লৈবাক অমনি।

ফিফানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা অফ্রিকাগী অতোপ্পা লৈবাক অমা ওইরিবা ঘানাসু লৈবাক অসিগী ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মনুংদা থোক্লিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দ্রগদি লৈবাক অসিগী মথক্তসু অথিংবা থম্লকপা য়ানা লৈরি।

## রেপিদ সেক্সনদা আনন্দ ৯শুবা তাখ্রে

*সেন্ট লোইস, ওগষ্ট ১৪ঃ*

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ সেন্ট লোইস রেপিদ এন্দ ব্লিটজ টুর্নামেন্টতা রেদিপ সেক্সনদা ৯শুবা তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী রেপিদ সেক্সনদা য়ুএসএগী হিকারু নাকামুরা অমসুং অজরবাইজানগী সাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোভনা পুন্না পোইন্ট ১২ /১২ ফংদুনা অহানবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

নুমিৎ হুম্নিদা রাউন্দ ৯ শান্নদুনা চত্থখিবা রেপিদ সেক্সনদা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা রুশিয়াগী আলেকজেন্দর গ্রিসুক্কা পোইন্ট মান্নদুনা ৯শুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

## জোর্জ কোষ্টানা মুম্বাই সিটি এফসিগী অনৌবা হেদ কোচ ওইখ্রে

*মুম্বাই, ওগষ্ট ১৪ঃ*

পোর্টুগালগী মমাঙদা সেন্টর বেক্তা শান্নরম্লবা জোর্জ পাওলো কোষ্টা অলমৈদানা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী টিম অমা ওইরিবা মুম্বাই সিটি এফসিগী অনৌবা হেদ কোচ ওইরগনি।

মশাগী চহী ৪৬শুরবা জোর্জ পাওলো কোষ্টা অলমৈদা কুমজা ১৯৯১ দা পাঙথোকখিবা ফিফা য়ু–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। মহাক্না পোর্টুগালগী মকোক থোংবা ক্লব এফসি পোর্টোদা জোস মোরিনহোগী মখাদা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন লীগকী টাইটলসু লৌবা ঙমখিবনি।

মুম্বাই সিটি এফসিগী সিইও ইন্দ্রানিল দাস ব্লানা পোর্টুগাল মচা জোর্জ পাওলো কোষ্টা অলমৈদাবু ক্লব অসিগী হেদ কোচ ওইনা খনখিবদা হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওবা উৎখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ক্লব অসিদা হেদ কোচ ওইননবগীদমক চান্নবা থিদুনা লাকখ্রবা মতুং কোষ্টাবু ক্লব অসিগী হেদ কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি।



## হান্নগী ক্রিকেটর রামেস পৱারনা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইখ্রে

*বেঙ্গালুরু, ওগষ্ট ১৪ঃ*

হান্না ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমদা শরুক য়ারম্লবা রামেস পৱারনা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইখ্রে।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) না ঙসি ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াগী হান্না ক্রিকেটর ওইরম্লবা রামেস পৱারবু ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইনা খনখিবনি।

নুপীগী ক্রিকেট টিমগী নৌনা হেদ কোচ ওইরবা রামেস পৱারগী অহানবা এসাইনমেন্ট অদু মথং থাদা শ্রী লঙ্কানা ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা টুর অসিনা ওইগদৌরি। মসিগী মতুংদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা ওক্তোবর থাদা বাইলেটরেল সেরিজ পাঙথোক্লবা মতুং নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিনা মহাক্কী অহুমশুবা এসাইনমেন্ট ওইরি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 480/SDC/SLG/IE of 2018
Dated 14/08/2018

Athokpam Basanti Devi W/o Langpoklakpam Dhiren Singh of Keishamthong Hodam Leirak
Petitioner

-Vs-

Late Langpoklakpam Dhiren Singh S/o (L) Kala Singh of Keishamthong Hodam Leirak
Opposite Party.

**NOTICE**

Sagolmang, Dated 14/08/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং 3-Sambei পট্টা নং 34, 121, 95 (অরিবা) 104 (অনৌবা) দাগ নং 203, 204, 205 মোট এরিয়া 2.08 acre চাওবা Anganphou লৌফমগী পট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্লুনা অইবা চেনা অপতি /objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টগী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

SL/3905/15



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Imphal West, Hiyangthang
Ref. : Mutation Case No. 271 of 2018
14/8/2018

1. Khoirom Premkumar Singh S/o (L) Khamba Singh of Langthbal Lep Awang Leikai
2. Khoirom Dhanachandra Singh S/o -do-

-Vs-

(L) Khoirom Khamba Singh S/o (L) Mani Singh of Langthbal Lep Awang Leikai

**NOTICE**

Hiyangthang, the 14th August, 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিল হিয়াংথাংগী খুল নং. ৭৬–লংথবাল লেপকী পাট্টা নং ৩৬৮ (অরিবা), দাগ নং ২০৫, এরিয়া .৬৬ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার খোইরোম খম্বা সিংহ অসি মৃতু ওইখ্রে। মথক্কী পেটিস্নরশিং অসিনা মীং / নামা ওনবীয়ু হায়দুনা SDC/IW- Hiyangthang গী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাও চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা SDC/IW- Hiyangthang গী Office তা ওবজেক্সন তৌবীরনবা খঙহল্লি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Hiyangthang

SL/3903/15